# পাকিস্তানি আর্মিনা ইন্দিয়ান সিক্যুরিটি পার্সনেল ২ হাৎলগা মকক মকক ককথৎলল্লে

ন্যু দিল্লি/জম্মু, মে ০২ (এজেন্সী) :
জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা পাকিস্তানি আর্মিনা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক নক্কা ইন্দিয়ান আর্মি অমা অমসুং বি এস এফকী জৱান অমা মকক মকক ককথৎলল্লে। লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদু ২২শুবা শিখ রেজিমেন্টকী নাইক সুবেদার পরমজিৎ সিংহ অমসুং ২০০শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফকী হেদ কন্সটেবল প্রেম সাগরনি।

পাকিস্টান আর্মিগী মকোক জেনরেল কমর জবেদ বজৱানা এল ও সী মনাক্কী মফম খরা য়েংশিল্লবা মতুংদা কাশ্মীরিশিংগী মতেং পাংগনি হায়না ৱাশকখ্রবা মতুংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। ইন্দিয়ান আর্মিনা হীরম অসিগী মতাংদা চপ চানা লমন খুমগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অমনা হায়, কৃষ্ণ ঘাতি সেক্টরদা পাকিস্তানি লান্মীশিংনা মোর্টার সেল কয়ামরুম কাপশিল্লকখিবগা ইরোয়ননা স্পেসল ফোর্সেস য়াওবা পাকিস্টানগী বোর্দর এক্সন টিম (বি এ টি)না ইন্দিয়ারোমদা ঙমখৈ লানশিল্লক্লগা এটেক চখুরকখিবনি।

আর্মিনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা লৈখিদ্রবা ইন্দিয়ান আর্মিগী জৱান অমসুং বি এস এফকী হেদ কন্সটেবল অদু হকচাংগী শরুক খরা থাঙনা ককথৎলম্বা থেংনৈ হায়রি। আর্মিগী সিনিয়ার ওফিসার অমনদি লৈখিদ্রবা মীওই অনীমক মঙক ককথৎলমই হায়না ফোঙদোকখি।

অরোনবা মওংদা চখুরকখিবা পাকিস্টানি আর্মিগী এটেক অদুদা রাজিন্দর সিংহ কৌবা বি এস এফকী কন্সটেবল অমসু অশোক-অপন নংখি। অদুবু মহাক্কী ফীভম থোইদোক্লা খুদোং থিনিংঙাই ওইদ্রে।

ওফিসল রিপোর্ট অমনা হায়খি, বি এ টিগী অখন্নবা টিম অমনা ইন্দিয়ান আর্মিগী পেট্রোল পার্টি অমদা এম্বুশ তৌরকখ্রবা মতুংদা পাকিস্টান আর্মিনা ফোরৱার্দ দিফেন্স লাইন (এফ দি এল)দা মোর্টার অমদি রোকেট শীজিন্নদুনা এটেক চখুরকখি।

মাঙজৌননা থৌরাং তৌরবা মতুংদা পাকিস্টানি আর্মিনা চখুরকখিবা এটেক অদুদা টেররিষ্ট খরসু য়াওরম্বা য়াই হায়না অতোপ্পা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

বি এ টিগী টিম অমনা পেট্রোল দ্যুটি তৌরম্বা ইন্দিয়ান আর্মিদা এটেক চখুরিঙৈ চৈরক্তা অতোপ্পা পাকিস্টান আর্মিগী কাঙবু অমনা এল ও সী লানশিল্লগা এটেক চখুরকখিবনি।

ন্যুজ রিপোর্ট অমনা হায়, অয়ুক পুং ৮.২৫ তাবদা পাকিস্টানি আর্মিগী ৬৪৭শুবা মুজাহিদ বট্টালিয়ননা কৃষ্ণ ঘাতি সেক্টরদা লৈবা ইন্দিয়াগী এফ দি এলদা এটেক চখুরকখি। মতম ইকান কান্নদনা মফম অদুমক্তদা লৈবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ফোরৱার্দ পোষ্ট অমদা অমুক নোংমৈ কাপশিল্লকখি। ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনসু খুৎ হন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্লখি।

চৈরকসিদা, দিফেন্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খ্রে মদুদি, পাকিস্টানগী কা হেনবা থৌওং অদুগী মতাংদা ইন্দিয়ানা চপ চাবা পাউখুম পীনবা থৌরাং তৌরে। লৈখিদ্রবা লান্মী অনীনা মরৈবাক্কীদমক থৱায় থাখিবগী থৌওং অদু লেম্না খক মাঙহল্লোই।

অমরোমদা, পাকিস্টানি আর্মিনদি এল ও সীদা নোংমৈ কাপ্পদবগী মতাংদা কুমজা ২০০৩দা সাইন তৌনখিবা সিজ ফায়র এগ্রীমেন্ট থুগাইখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোরকখ্রে। ষ্টেটমেন্ট অমদা পাকিস্টানি ফোরেন ওফিসনা হায়খি, সিজ ফায়রগী কাঙলোন থুগাইবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম য়ুম্ফম য়াওদবনি।



# টেররিজম শৌগৎপশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি : মোদি

ন্যু দিল্লি, মে ০২ (এজেন্সী) :
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং টর্কিশ প্রসিদেন্ট রিসেপ তায়িপ অর্দোগানননা লৈবাক অনীগী মরক্তা থম্নরিবা মরীগী মতাংদা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা সিক্যুরিটি, ট্রেদ অমসুং রিজনেলগী ওইবা ৱাফম কয়া কুপ্না খন্নখ্রে।

লূচিংবা অনীনা মপুং ওইনা খন্নখিবা ৱাফমদি টেররিজম মায়োক্লবা অমসুং রিজনেল সিক্যুরিটিদা নাকল অনী মতেং পাংনবগী মতাংদনি।

পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ঙসিগী খুন্নাই অসিদা নুমিৎ খূদিংগী তোঙান তোঙানবা শীংনবা কয়া মায়োক্লবা তারি। মালেম অপুনবগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইবা শীংনবদি টেররিজমনি। লৈবাক খরনা টেররিজম শৌগৎপা মরম্না মালেমগী মফম খূদিংমক খুদোংথিনিংঙাই ওইরে।

পাকিস্টানগী মমিংমক্তি পনবা তৌদনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, টেররিজম শৌগৎপা লৈবাকশিংগী মথক্তা মালেম অপুনবগী ওইবা থৌরাং অমা লৌখৎমিন্নবা মথৌ তারে। খ্বাইদগী নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি লৈবাক খরনা ফোরেন পোলিসি অমা ওইনা টেররিজম শৌগৎলগা য়ুল্লোন্নবা লৈবাকশিংদা টেররিষ্টকী ওইবা থবক থৌরমশিং চখুহল্লকপগী মতাংদনি।

পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়া অমসুং টর্কিনা ২১শুবা চহী চাদা য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সীল (য়ু এন এস সী)গী থৌশীল হৌহন্নবা হোৎনরি। হৌখিবা মতমদা লৌখৎপা থৌরাংগা মান্নদবা মওংদা য়ু এন এস সীনা টেররিজমগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎফম থোকই।

অমরোমদা, টর্কিশ প্রসিদেন্ট অর্দোগানননা হায়খি মদুদি, টেররিজমগী মায়োক্তা লৌখৎপা থবক থৌরমশিংদা টর্কিনা ইন্দিয়াগী মতেং পাংগনি। টেররিষ্টশিংনা হান্নগী মফম পূম্নমক্তা মরাল লৈজদবশিং য়াওনা মীওই কয়াদগী ঈ তাহল্লি। অকোনবদা টেররিষ্ট পূম্নমক মীয়ামগী হকচাংদগী শিন্থরকপা ঈখেং মরক্তা ঈরাক্লদুনা শিরগনি।

এপ্রিল ২৪দা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা সুকমাদা সী আর পি এফকী জৱান ২৫ হাৎখিবগী মতাংদা অর্দোগানননা হায়খি, টেররিজম মায়োক্লবদা টর্কিনা ইন্দিয়াগী মতেং পাংনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি।

ইন্দিয়াদা ঙরাং থুংলখিবা টর্কিশ প্রসিদেন্টপু রাষ্ট্রপতি ভবন্দা ঙসি তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। অর্দোগানননা রাজ ঘাটতা চত্তুনা লৈবাক্কী মপানি হায়নরিবা মহাত্মা গান্ধীগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

এপ্রিল ১৬তা য়েৎননিংঙাই ওইবা মওংদা পাঙথোকখিবা রেফরেন্দম অমদা মায় পাকখ্রবা মতুংদা অর্দোগানননা মপান লৈবাক্কী খোঙচত্তা লাকপা হন্দক্লা অহানবনি।

মমাঙদা টর্কিশ প্রসিদেন্টনা পাউচে অমদা পীখিবা ইন্টরভিয়ুদা হায়খিবনি মদুদি, ইন্দিয়ানা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী পার্মনেন্ট মেম্বর ওইনবা হোৎনবদা টর্কিনা মপুং ফানা শৌগৎলি।



# ব্রাহ্মোস লেন্দ এটেক মিসাইল মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে




ন্যু দিল্লি, মে ০২ (এজেন্সী) :
অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দদা ঙসি ইন্দিয়া আর্মিনা ব্রাহ্মোস লেন্দ এটেক ক্রুজ মিসাইল মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে। লৈমায়দগী লৈমায়দা কাপকদবা মিসাইল অদু মোবাইল ওটোনোমস লোঞ্চর (এম এ এল) অমদগী কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখিবনি।

আর্মিগী সিনিয়ার ওফিসার অমনা হায়খি, ইন্দিয়ান আর্মিগী মতিক ময়াই হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা শেমগৎখিবা মিসাইলনা টার্গেটতা চপ চানা পানবা ঙমখি। সুপরসোনিক ক্রুজ মিসাইল মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখিবগী থৌওং অদুনা ইন্দিয়াবু মালেমগী মাঙজিন থাবা লৈবাকশিংগী মনুং চনবা ঙমহল্লে।

হৌখিবা মার্চ ২২দসু ইন্দিয়ান নেভিনা জহাজদগী ব্রাহ্মোস লেন্দ এটেক সুপরসোনিক ক্রুজ মিসাইল মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে।

শান্না কাপ্পা য়াবা মিসাইল মখল অসি ইন্দিয়ান নেভিগী গাইদেদ মিসাইল ফ্রাইগেট টেগতগী কংফালদা লৈবা টার্গেট অমদা কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখি।

ইন্দিয়া অমদি রসিয়ানা খুৎশম্নরগা শেমগৎখিবা ব্রাহ্মোস মিসাইল অমদি মসিগী এন্তিশিপ ভেরিয়ন ইন্দিয়ান নেভিদা মাঙজৌননা খুৎশিন্নবা লৈখ্রে।

কোলকাটা, রনবির অমদি টেগনচিংবা ইন্দিয়ান নেভিগী মরুওইবা জহাজ অয়াম্বনা মিসাইল অসি শীজিন্নবা হৌখ্রে। অনৌবা মখলগী ব্রাহ্মোস মিসাইল অসিগী মতেংনা কংফালদা লৈবা য়েক্লবদা ইন্দিয়ান নেভিনা অরাইবা মওংদা এটেক চখুবা ঙম্লগনি হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, কুমজা ২০১৬ কী জুনদা ইন্দিয়ানা মিসাইল টেক্নোলোজি কন্ট্রোল রিজিম (এম টি সী আর)গী মেম্বর ওইখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

এম টি সী আর হায়বসি কিলোগ্রাম ৫০০ লুম্বা পেলোদ পুরগা কিলোমিটর ৩০০ দগী হেন্না শান্না কাপ্পা ঙম্বা মিসাইল টেক্নোলোজি অমসুং অনমেন এরিএল ভেহিকল টেক্নোলোজিবু অরানবা মওংদা শীজিন্নহন্দনবগী মতাংদা লৈবাক খরনা পূনশিল্লগা শেমখিবা গ্রুপনি।

# শ্রীলঙ্কন নেভিনা টামিল নাদুগী ঙামী মঙা ফাজিনখ্রে



রামেশ্বারম, মে ০২ (এজেন্সী) :
ঈশিংগী ঙমখৈ লানশিল্লগা ঙা ফারমই হায়বগীদমক টামিল নাদুগী ঙামী মঙা শ্রীলঙ্কন নেভিনা ফাজিনখ্রে।

টঙ্গজিমাদামগী ঙামী মঙানা ঙসি অয়ুক কচাতিবুদা ঙা ফারিঙৈদা শ্রীলঙ্কন নেভিগী কাঙবু অমা লাক্তুনা ফাজিনখিবগা লোয়ননা ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হি অমদি অতৈ পোৎলম কয়াসু পুখিরমই।

হৌখিবা মার্চ ২৬তসু ঈশিংগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা ঙা ফারম্মী হায়বগীদমক ইন্দিয়াগী ঙামী ১২ শ্রীলঙ্কন নেভিনা ফাজিনবা লৈখ্রে। তোঙান-তোঙানবা মফমদগী শ্রীলঙ্কন নেভিনা ঙামীশিং অদু ফাখিবনি। পুদুকোটাই দিষ্ট্রিক্টতগী ঙামী ৬ অমসুং নাগাপটিনম দিষ্ট্রিক্টতগী অতোপ্পা ঙামী ১৬ ফাখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হি অনীসু শ্রীলঙ্কন নেভিনা ফাজিনখ্রে হায়রি।

হৌখিবা মার্চ ১০ দা য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীনা ফাজিন্দুনা থম্নরিবা ঙামীশিং থাদোকপগী মতাংদা য়ানবা পুরকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী ঙামী ৫৩ শ্রীলঙ্কাগী জেলদগী থাদোরকপা লৈখ্রে। জাফনাগী জেলদা ফাজিন্দুনা থম্লম্বা ঙামী ৫৩ থাদোরকখ্রবসু অতোপ্পা ঙামী ৩২ বাবুনিয়াগী জেলদা ফাজিন্দুনা থমহৌরি হায়না ফিশরি মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। মমাঙদা শ্রীলঙ্কানা ইন্দিয়াগী ঙামী ৮৫ থাদোক্লগনি হায়না কলম্বোদা লৈরিবা ইন্দিয়ন হায় কম্মিসনদা খঙহল্লকপা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা মার্চ ১৭ তসু শ্রীলঙ্কন নেভিনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী ঙামী অমা শিখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মরী লৈনবা শ্রীলঙ্কন ওঠোরিটিদা হৌনবী মতুংইন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী ৱারোল থাবা লৈখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী ঙামী অমা লৈখিদবগী মতাংদা ন্যু দিল্লিনা শ্রীলঙ্কাগী মরী লৈনবা ওঠোরিটিদা ৱাকৎতুনা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবগী ৱাফম তকশিনখি। শ্রীলঙ্কাদা লৈরিবা ইন্দিয়ন হায় কম্মিস্নারনা হীরম অসিগা মরী লৈননা শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টরদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী ৱারোল পীশিনখি হায়না ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা শ্রীলঙ্কন নেভিনা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন চখুরগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে।

ফিশরিজ দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না শ্রীলঙ্কন নেভিগী মখুৎ চনখ্রবা ঙামী অমা মশা মথন্তা শিজনবা থৌরাং তৌখি হায়রি। নাগাপটিনম দিষ্ট্রিক্টতগী ঙামী ৮ ফাখিবগা লোয়ননা চয়োল অমগী মনুংদা শ্রীলঙ্কন নেভিনা ইন্দিয়াগী ঙামী ফাবগী থৌদোক অহুম্লক থোকখ্রে। হৌজিক-হৌজিক টামিল নাদুগী ঙামী ৬১ শ্রীলঙ্কাগী কষ্টদি লৈরি। নাগাপটিনমগী জোইন্ট দিরেক্টর ওফ ফিশরিজ অমলা জেবিয়রনা হায়খি, অকারাইপেটাইগী ঙামী ৮ হি অমা তোংদুনা ঙা ফাবা চৎখিবদা ঈশিংগী ঙমখৈ লানশিল্লকই হায়না মরাল শীরদুনা শ্রীলঙ্কন নেভিনা ফাজিনখিবনি।

# তিৱারিদা এটেক চখনবা হোৎনরকখিবা মীওই ৫ ফারে

ন্যু দিল্লি, মে ০২ (এজেন্সী) : বি জে পিগী এম পি মনোজ তিৱারিগী ময়ুমদা চঙলক্লগা মহাক্কী ষ্টাফ মেম্বরশিংদা এটেক চখুরম্বগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই মঙা দিল্লি পুলিসনা ফারে।

কেস অসিগা মরী লৈননা জয়কুমার অমদি জসৱন্ত কৌবা মচিন-মনাও অনী ফারবা মতুংদা পুলিসনা ঙরাং নুমিদাং থোকখিবা থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মীওই মঙা ফাগৎখিবনি।

হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ১.৩০ তাবদা দিল্লিগী মফম অমদা জয়কুমার অমসুং জসৱন্তনা থৌরকপা কারনা তিৱারিগী ষ্টাফ মেম্বরশিং তোংবা গাড়ী অমদা থেংজিল্লকখি। খুদক্তা মচিন মনাও অদুনা টেলিফোন তৌদুনা মীওই খরা কৌরগা এম পিগী ময়ুমদা চঙশিন্দুনা লৈরম্বা মীওইশিংদা এটেক চখুখিবনি। থৌওং অদু এম পিগী ময়ুমদা খিনবা সী সী টি ভী কেমেরাদা ময়েক শেংনা উবা ফংখি।

সী সী টি ভীগী ফুটেজদা য়ুম্ফম ওইরগা পুলিসনা মরাল লৈবা মীওই পূম্নমক ফাগৎনবা হোৎনরি।

নোর্থ ইষ্ট দিল্লি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী মীখলদা মায় পাক্তুনা বি জে পিগী এম পি ওইরিবা তিৱারিনা হায়খি মদুদি কনাগুম্বা মীওই খরনা লৌতুনরগা মহাক্কী পার্সনেল এসিষ্টেন্ট, কুক অমদি ড্রাইভরদা এটেক চখুরকখিবনি।

ঙরাং দিল্লি পুলিসনা তিৱারিগী মনুংদা চঙলক্তুনা এটেক চখুরম্বা মীওই অমা ফাবা লৈখ্রবনি।

# ট্রিপল টলাক্কী মতাংদা নুপী অমনা মপুরোইববু শেন্দলনা কনখ্রে

পত্ন, মে ০২ (এজেন্সী) :
বিহারদা ট্রিপল টলাক্কী ৱাহৌদগী নুপী অমনা মহাক্কী মপুরোইববু মীয়াম মাঙদা শেন্দলনা কনখ্রে। দরভঙ্গ দিষ্ট্রিক্টকী নবতোলিয়া খুঙ্গংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি।

মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়খি, অউন-পোৎ মতিক চানা উল্লক্তে হায়বগীদমক মহমদ হেমফুজ কৌবা মীওই অমনা মহাক্কী লোয়নবীবু ট্রিপল টলাক্কী খুত্থাংদা খায়নখি। হীরম অসিগী মতাংদা মতৈ মনাও য়েৎনরকপদগী বিরোল পুলিস ষ্টেসন্দা কৌখৎতুনা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনখি।

ইন্সপেক্টর নরায়ন সিংহনা নাকল অনী য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনরিঙৈদা নুপী অদুনা মখোঙদা তোংলম্বা শেন্দল লৌথোক্লগা মপুরোইবদা কনবা হৌরকখি।

লৈবাক অসিদা ট্রিপল টলাক্কা মরী লৈননা অচৌবা ৱাথোক থোক্লিঙৈগী চৈরক্তা মপুরোইবনা খায়নবিরবী নুপী অমা মশা মথন্তা শিজনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি। বিহারগী ভগলপুর দিষ্ট্রিক্টতা বিৱি রুকসার কৌবী নুপী অমা মপুরোইবা মহমদ অস্লম শাহনা ট্রিপল টলাক্কী খুত্থাংদা খায়নরে হায়না টেলিফোন তৌদুনা খঙহল্লকখি। রুকসারনা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা মশা মথন্তা শিজনবা থৌরাং লৌখৎলকপদগী পুলিসনা মতৈ-মনাও কৌখৎতুনা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনখি।

মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিংনা ট্রিপল টলাক্কী মতাংদা পোলিটিক্স তৌরোইদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা আপিল তৌবা লৈখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবগী মহুত্তা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মুস্লিম নুপীশিংনা ট্রিপল টলাক্কী মায়োক্তা লেপ্পী হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, নুপীশিংদা চখুরিবা চুমদবা থৌওংশিং অথুবা মতমদা চুমথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলগনি। মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিংনা ট্রিপল টলাক্কী মতাংদা পোলিটিক্স তৌবা খুদক্তা লেপকদবনি।

কনাড়া ফিরোজোফর বশাবেশ্বর বশাবনাগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মোদিনা হায়খি, লৈবাক অসিগী মুস্লিম নুপীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। মতমগা চুনদ্রবা চৎনবী পূম্নমক মুথত্তুনা নুপা অমদি নুপীগী মরক্তা খেন্নবা লৈহন্দনবা হোৎনগনি।



হন্দক মরক ট্রিপল টলাক্কী মতাংদা কন্না য়েৎনরকপগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্লা হায়খি, মুস্লিম ফুরুপকী মতিক ময়াই লৈরবা মীওই কয়া থোরক্তুনা মতমগা চুনদ্রবা চৎনবী অসি মুথৎনবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

মিনিট ৪০ রোম ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা নুপীগী মতিক ময়াই হেনগৎহনবা, নুপা-নুপী থোং মান্নমা হিংমিন্নবা অমসুং অফবা লৈঙাক লৈহনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

# রজিব গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা থিগৎনবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ০২ (এজেন্সী) : হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎপা মথৌ তাই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা সী বি আইদা খঙহনখ্রে। মীহাৎ অদুদা চেন্নৈ হায়বগীদমক শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রবা এ জি বেরারিবলন কৌবা মীওই অমনা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন হিয়ারিং চখুরবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

জষ্টিস রঞ্জন গোগোই অমদি জষ্টিস নবিন শিনহাগী বেঞ্চনা হায়খি, সী বি আইগী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমসুং মল্টি দিসিপ্লিনরি মোনিটরিং এজেন্সীনা রজিব গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা মপুং ফানা ইনভেষ্টিগেসন চখুখিবগী খুদম ফংদে। সী বি আইনা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না থিগৎপগা লোয়ননা অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্কদবনি।

টৈংথাঞ্জোং/ লায়েংজরি

UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিজৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3796/06/04-05/05

# ওপোজিসন পার্টিশিংনা প্রসিদেন্ট মীরেপ পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলি

ন্যু দিল্লি, মে ০২ (এজেন্সী) :
হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এসেমব্লি খরগী মীখলদা বি জে পিনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা কোংগ্রেস, জনতা দল-য়ুনাইটেদ (জে দি-য়ু) অমসুং সী পি আই (এম) য়াওনা ওপোজিসন পার্টিশিংনা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা কম্মন কেন্দিদেট অমা পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি।

সোসলিষ্ট লীদর মাধু লিমায়েগী ৯৫শুবা মপোক কুমওন নুমিৎপু 'য়ুনিটি ওফ প্রোগ্রেসিব ফোর্সেস' হায়না মিংথোন্দুনা থৌরম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা সী পি আই, এন সী পি, জে দি (এস), সমাজৱাদি পার্টি, সোসলিষ্ট পার্টি অমসুং লোকতন্ত্রিক সমাজৱাদি পার্টিনচিংবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী লূচিংবশিংনা কম্মন কেন্দিদেট অমা পুথোক্লবগী মতাংদা ৱারেপ্লখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবদা কোংগ্রেসকী লূচিংবা দিগবিজয় সিংহনা হায়খি, লৈবাক অসিবু কাঙলূপ নাইবা মীওইশিংগী মখুত্তগী কন্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি প্রোগ্রেসিব ফোর্স পূম্নমক পুনশিনবনি।


ওপোজিসন পার্টিশিংনা খেন্নবা ৱাখল্লোন পূম্নমক থাদোক্তুনা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা কম্মন কেন্দিদেট অমা পুথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়না সী পি আই (এম)গী জেনরেল সেক্রেটরি সিতারাম য়েচুরিনা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ওপোজিসনগী অপুনবা মীরেপ অমা পুথোকপা ঙম্লবদি বি জে পি নত্তবা অতৈ পার্টিশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবা ঙম্লগনি হায়না জনতা দল-য়ুনাইটেদ (জে দি-য়ু)গী লূচিংবা শরত যাদবনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

ওপোজিসনগী কম্মন কেন্দিদেট অমা থাদোক্লবগী মতাংদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগা উনদুনা ৱারী শানখ্রবা জে দি (য়ু)গী প্রসিদেন্টনা হায়খি, হন্দক্কী মতাং অসিদা বি জে পি নত্তবা পোলিটিকেল পার্টিশিং পুনশিন্নবগী খুদোংচাবা ফংলগনি।

হন্দক্তা উত্তর প্রদেশ অমসুং দিল্লিদা পাঙথোকখিবা সিবিক ইলেক্সন্দা বি জে পিনা মায় পাকখিবগী মরুওইবা মরমদি ওপোজিসন পার্টিশিং পুনশিনবা ঙমদবননি। মরম অদুনা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা বি জে পি নত্তবা অতৈ পার্টিশিং খুৎশম্নবা মথৌ তাই হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এগী মায়োক্তা ওপোজিসনগী কম্মন কেন্দিদেট অমা থাদোকপগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ওপোজিসন পার্টিশিং পুনশিনবা য়ানবগীদমক কম্মন প্লেটফোর্ম অমা শেম্নবা হোৎনরি। ওপোজিসন পার্টিশিং পুনশিন্নবগী অহানবা খোঙথাং ওইনা কম্মন কেন্দিদেট অমা শোয়দনা পুথোক্লগনি।



পনবা য়াবদি, বিহারগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা জনতা দল য়ুনাইটেদকী লূচিংবা নিতিশ কুমারনা মমাঙ চয়োলদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগা উনবদা ৱাফম অসি ইহান হান্না হৌদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইয়েন্স (এন দি এ) নত্তবা পার্টিশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লবগী মতাংদা কোংগ্রেসনা মরুওইবা থৌদাং লৌফম থোকই। ওপোজিসন লীদর খরনা হীরম অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট খরগী চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং রিজনেল পার্টি খরগী লূচিংবশিংগা উনদুনা ৱারী শানখি।